# “মথোঙ হুক্ত্রবা হোম দিপার্টমেন্ট”



– এল ইবোমচা –

মখোয়গী মশাদা ইকায়-ইকি খঙদবা, অতোপ্পবু নুংশিবা হৈতবা, মশাগীতা খনবা, খোইরপ তৌবা ৱাঙাঙ-শঙাঙনা মীবু শুক্ষৎপা, থাজহনবা ঙম্বা, লৌনম নমথাক হৈবগী মতিক শারমচৎ চৎপা, হুরানবদা অমদি হুরান পোৎয়াবদা মপা লৈতনা হৈ-শিংবা অসিনা ওইরম্বা তাই, অহল-লমনশিংনা খোংজাই ঙসিনা কুকিশিংবু হাও-নাতৎপা, হাওরিংজেন নাইরিংজেন হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নদুনা চৈ-থাংনরম্মী। হাও-নাতৎপা, হাওরিংজেন নাইরিংজেন হায়রিবসি করি হায়রিবনো হায়না থোইদোক্লা খল্লুদ্রসু অফবা মিঙ্গৌদি নত্তে হায়না খন্নদুনা লাকপদু হন্দক কুকিশিংনা মরম চাদনা মীতৈশিংদা অতম্নেনা লান্দারক্লবা মতুংদা মসিগী ৱাহন (অর্থ) ঙসিদি চপ চানা খঙলে। মদুদি মমৈদং পাল্লম্লবদি শা হায়রগদবা য়েংবদা তাইবঙ মীওইবা মাল্লবসু কোক্তি কৈ-নোংশাগী মকোক পানবা, অচুম-অরান মশক খঙদবা শারমচৎ চৎপা, নক্লা তিন্ন-লোয়নবা য়াদবা শাহিং-ঙাহিং চাবা শাগুম্বা মীওই ফূরুপ হায়বা ৱাহন (অর্থ) অসি ওইরম্বনি।

ঙসিদি কুকিশিংগী তমথীরবা লমচৎ-শাজৎ মৈতৈশিংনা তপ্না তপ্না খঙবা হৌরক্লে। মখোয় মণিপুরদা তাংদুনা লৈরবসু মীতৈশিংগা চপ মান্নবা হক ফংদুনা লৈরিবনি হায়বদু নীংশিংদবমখৈ মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা গোল কুকিলেন্দ কন্ত্রি ফংনবা হোৎনবগী মনুং চন্না মণিপুরগী চীংগী লম মুন্নবা লম মপু মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দাশিনবা লেপত্রি। লান তৌদনা কুকিলেন্দ ফংবা য়ারোইদবা মরম্না লানগী মচাক মথুম লাংশিন্নবা হোৎনবদা মখল কয়াগী থৌরাংদা ফন্দ খোমগৎনবা হোৎনৈ। ফন্দ খোমগৎনবা হোৎনবদা মণিপুরগী চীংমাইশিংবু শিৎ-নান্না মরূ কোকথোক্লগা চীংমাই থন্না পোপি পাম্বী থাদুনা মদুদগী লোক্লকপা মহৈদুনা হিরোইন পাওদর, কানি শুংলগা মণিপুরদনা খরা অহোঙবা মমলদা অদুগা মালেমগী লৈবাকশিংদনা য়াম্না অতাঙবা মমলদা থাদোক্তুনা য়াম্না কোম্না শেল তানবগী থবক চথদুনা লৈ। মখোয়গী অহানবা টার্গেটতি মখোয়গী মীশিং খংহেন হেনগৎহনবা। অনীশুবদা হায়ৱেদা থোক্লক্লগা অরাকপশিংদগী টেক্স লৌবা, কিহন-খংহন্দুনা শেল, সনা-লুপা অমদি মোবাইল ফোন মুনবা,অরোইবদা শেন্দোং খ্বাইদগী হেন্না ফংবা ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোন্দুনা শেল তাল্লগা লান্দা শীজিন্ননবা অফবা মখলগী নোংমৈ, বোম, টোপ লৈশিনবা অসিনা ওইরি।

কুকিশিংনা মণিপুরগী চীংগী লম শরুকশিং মীতৈদগী মুল্লগা কুকিলেন্দ শেম্নবা থৌরাং তৌরকপসি ঙসি ঙরাংতগী ৱা নত্তে। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুং কুমজা ১৯৫০ অদুৱাই মতমদগী মঙ মঙবা হৌরক্লবা জাৎনি। ঐখোয়না ইচম চম্না লৈথোক্লুবা থৌ-ৱা কয়া শারুদবদগী খঙদবনি। মদুগী মহয়না কুমজা ১৯৬০ অদুৱাইদা কুকিগী এম এল এ মশীং হেন্না কারক্তুনা সদর হিল সিট মখোয়গী খুবামনুংদা থম্বা ঙমখিবনি। অদুগা কুকিশিংনা খোইদৌ প্রোক-প্রোক চাক্লা শাউখিবা মতাংনা মতম অদুগী ইষ্ট পাকিস্থান হৌজিক্লা বাংলাদেশ হায়না খঙনরিবা লৈবাকসি ইন্দিয়ানা মতেং চাউনা পাংদুনা বাংলাদেশ কৌবা লৈবাক অমা শেমখিবা অসিনি। নৎলমদ্রবদি বাংলাদেশতগী কুকিনা তাবা লম খরা, ম্যান্মারদগী কুকিনা তাবা লম খরা অমসুং অৱাং নোংপোক্কী কুকি তাবা লমশিং পুন্না পুনশিল্লগা নহান্না কুকিলেন্দ লৈবাক শেম্লম্লগনি হায়বা অসিদনি।

কুকিশিংনা হৈশিংবসি মখোয়না নাগাশিং নমহৎতুনা থম্বা ঙম্নবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা এম এল এগী মশীং হেনগৎহন্নবা ব্যুরোক্রেসি লেভেলদগী হোৎনদুনা লাকই। মখোয়না নাগাশিংবু মায়থীবা পীনবা মীতৈ ফূরুপ্তা অমা হায়জিন, নাগা ফূরুপ্তুনা অমা হায়জিন তৌদুনা লাকপদুগী মহয়না মীতৈ অমসুং নাগা অনীগী মরী হান্নগী নুংশিনরম্বা, থাজনরম্বদগী তগোম-তগোম তারকখি। মখোয়না নাগাশিং কুমজা ১৯৯৪দা মোরেদগী তান্থোরক্লবা মতুংদা মোরে লম্বী অসি পায়শিন্দুনা লাকখি। মসিগী মতুং তারকপদা নাগাশিংদা কিহনবা অমদি মখোয়গী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই উথোকপা ওইনা লান লোইরবা মতুং কুমজা ২০০৪ ফাওবগী মনুংদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মোরেদা অমদি মোরে লম্বী পরিংদা ঙাইহাক লৈতনা লুট তৌবা, শেল মুনবনচিংবা তৌদুনা লৈখি। মোরে লম্বী পরিংদা চৎলিবা গাড়ীশিংদগী টেক্স কলেক্সন তৌদুনা লাকখি। মোরেগী কোন্দোং লাইরেম্বী মনাক তেংনৌপল পুলিস ষ্টেশন মনাক্তা টেক্স কলেক্সন রুমশিং হাংদুনা লম্বীদা চেল্লিবা কম্মর্সিএল গাড়ীশিংদগী গুদস টেক্স, গোদাউন টেক্স, রোদ টেক্স লৌদুনা লাকই। মদুদা ষ্টেটকী পুলিস অমদি সেন্ত্রেল ফোর্স অমত্তনা অথিংবা পীরমদে। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীসু অদু মঙাই কাংপোকপী পুলিস ষ্টেশন মনাক অমসুং মোটবুংদা লম্বীদা চেল্লিবা কম্মর্সিএল গাড়ীশিংদগী নম-নমদুনা টেক্স লৌদুনা লাক্লিবসি ঙসি ঙরাংগী ৱা নত্তে। লান মনুংদসু কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা চাকা ১০ পানবা গাড়ীদগী লুপা লিশীং ২০/২৫ টেক্স লৌবগী পাউ তাবা ফংই।

অদুগা মণিপুরগী অনীশুবা লাইফ লাইন অমা ওইরিবা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী মফম কয়াদসু কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা অরাকপশিংদগী কিহন খংহন্দুনা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা টেক্সশিং লৌরি। ইনক নক্লা ইম্ফালদগী চীংদা হেক কাখৎখিবা ন্যু কৈথেলমানবী অমদি জিরিবামদগী ইম্ফালদা চঙলকপা লৈঙাংপোকপী হায়রিবা মফম অনীসিদা আইন্না য়াররোইদবা মওংদা টেক্সশিং লৌদুনা লৈরি। মসিগী মতাংদা মণিপুর দ্রাইভর য়ুনিয়ন অমদি ত্রান্সপোর্ট ওর্গনাইজেশন অনীনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি অমদি সিক্যুরিটি এদভাইজরদা থিংবীনবা তকশিনবগী পাউ তাখিবা লৈখ্রে।

মশীং য়ামদবা কুকি ফূরুপকী খূৎলায় পায়বা খরনা মণিপুরগী নেশনল হায়ৱে অনীমক্তা চৎলিবা গাড়ীশিংদগী টেক্স লৌদুনা লাক্লবনি। মখোয়না মতম মতমগী অমদি পুরক্লিবা পোৎ অদুগী ভেল্যু য়েংলগা টেক্স লৌবদা লৈঙাক অমত্তনা থিংবা ঙমদনা লাক্লি। হীদাক লাংথক য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি নেশনল হায়ৱে অনীমক্তা পুশিল্লকপদা কুকি খূৎলায় পায়বা খরনা টেক্স লৌদুনা লৈবদা দব্বল ইঞ্জিন লৈঙাক্লা থিংবা ঙমদনা লৈরি। নেশনল হায়ৱে অনীসি ঙাকশেন্নবা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্নবা অসুক শাংলবা মতমসি ৱা খন্নবগী পাউ তাখিদ্রি। লান কল্লিঙৈদা জিরি লম্বীদা থাউ পুদুনা লাকপা গাড়ীশিং অমদি গ্যাস টেঙ্কি গাড়ী অমদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবা লৈখ্রে।

অমরোমদা, মণিপুরদা লৈখিবা লৈঙাক অমত্তনা হায়ৱে অনীসিদা চীংগী লালহৌবশিংনা ঙাইহাক লৈতনা অয়েৎ অপন কয়ামুক পীদুনতা লৈরিবা অসিগী মতাংদা করি তৌসিগে হায়না ৱা খন্নখিবসু তাখিদ্রি। ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌরকপা থিংনবা শেম শাবা তৌখিদ্রি। নেশনল হায়ৱেদা টেক্স লৌবসি লৈঙাক্কী নেশনল হায়ৱে ওথোরিটি খক্তনা তৌগদবনি হায়বসি খঙনা খঙনা লৈঙাক অমত্তনা আইন কায়না টেক্স লৌরিবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎখিবগী পাউ তাখিবা লৈখিদ্রি। ব্লোকেদ তৌরিবশিং ফাদুনা মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীবা য়াই, মদু তৌদবনা ব্লোকেদ তৌরিবশিংদা মনীং তমহন্দুনা থল্লি। হৌজিক লৈরিবা অনৌবা ৱাই খেমচান্দগী লৈঙাক অসিসু অদু মঙাই, হোম দিপার্টমেন্টতি অমত্তনিনা হান্নগী হান্না হামু হামুনি। নেশনল হায়ৱে অনীমক্তা এস্কোর্ট য়াওদনা গাড়ী অমত্তা মনীং তম্না চৎপা ঙমদ্রি। বন্দ, ব্লোকেদ তৌরিবশিংদা ফ্রী থাদুনা অদুমক থল্লি। অদুনবু নহান এপ্রিল ১৮,২০২৬কী নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা উখ্রুল লম্বীগী টি এম কসোমদা কুকি টেররিষ্টশিংনা এম্বুশ চথরক্তুনা মীচম অনী শিরগা খরনা অশোক-অপন নংহল্লিবা অসিনি।

মসিদা য়াম্না ঙক্লিবদি মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্ট অসিনি। হায়বদি হায়ৱেদা বন্দ, ব্লোকেদ তৌবশিং অমদি নোংমৈ কাপ্লকপশিং তকথোক্লবা নোংমৈদি পায়হনবা অদুগা নোংমৈ কাপ্পগী ওর্দরদুদি পায়দবা মণিপুর ষ্টেট ফোর্স অমদি সেন্ত্রেল ফোর্স ময়াম থারিবা অসিবুনি। নোংমৈদি লায়রদনা টিয়র গ্যাস ফাওবা কাপ্পা য়াবগী ওর্দর পায়দবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং করিগীদমক শিফম নাফম খঙদবা মফমশিং অসিদা থারিবনো হায়বনি। অদুনদি মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্ট অসি মীয়াম্না ‘মথোঙ হুক্ত্রবা হোম দিপার্টমেন্ট’ নি হায়না নিনফুং-নিনফুং ঙাঙন-শক্লরিবসি চুম্লম্বা তাই। ●

# ঈরৈদুগী কাওশিং - ৬

– বীমোলচান্দ লাইশ্রম –

অনুপমাগী মক্ত্রবা থম্মোয়গী মপাউ অহিং চূপ্পদুমা য়ুনিভর্সিটিগী ভেরন্দাদুদা ফম্না-ফম্না থৱায়মক্লি খঞ্জরিবা রাজেসকী মফমদা তমখ্রে। অঙকপা নুপী ওইবীগী অচেৎপা ফিরেপ্তুদা রাজেস ৱা ঙাঙবা থোকখিদ্রে। নিরুদনা পীরকপা অখাকপা লৈত্রবী অনুপমাগী কথোক্লবা থম্মোয়দুগীদমক অনুপমাবু ৱা ঙাঙদনা থাগৎচখি। থাজরুদবা তুংগী পূন্সি খোঙচৎ অমগী লম্বেল তশেং-তশেংনা উরকপগুম্মী। পূক্লিংদা খল্লি-নুংশিবা হায়বা শকউদবা মাগী অচেৎপা লংলা হায়বদো মসিরা! অনুপমাগী নুংশিবগা রাজেসকী নুংশিবগা চাংদম্নসিরা খল্লি। অমুকসু খঞ্জান্নে - ঐগীদমক্তি অনুপমানা ফৈগাক ফৈনা লেপখ্রে। মাগীনি হায়বা খুদিংমক ঐনা ইনিং তম্না শীজিন্নবগী অয়াবা পীরবগুম্বনি। অদুবু ঐনদি অনুপমাদা করি খুদোল তমগনি। ঐগীনি হায়বা করিসু লৈতে, ঐগী মক্ত্রবা থম্মোয়সি নত্তনা। অনুপমানদি তত্তনা হায় “ইমা-ইপানা অৱাৎপা লৈহন্দে; ঐগী অৱাৎপা অমত্তং হায়য়ু হায়রদি ঐতগীনি খঞ্জরিবা নঙগী মক্ত্রবা থম্মোয়দুনি। নঙ ঐঙোন্দা মমল থিদনা পীথোকপা ঙমগদ্রা, নুংশিবগীদমক...”

অচিকপা অহিংদুগী মতৌ তম্না চীক্লা চীলোক্লরিবা থম্মোয় অনীদু নোংমদোলগী থাজনা পেন্না য়েংজরি। লেপ্পাইদবীনিনা উরি-উপালশিংদা মখোয় অনীবু শিন্নরম্লগা নোংচুপ চীংয়া পাংখ্রে। নোং ঙাল্লমদাইগী য়াহৌ ঙনবা পোম্বী চেক্লাশিংগী খোঞ্জেল খজিক খজিক তারক্লে। করম্বা মীকুপ্তা মতম্বাক্তা হীপখিবনো খঙহৌদ্রে, নিরুপমা-নিঙায়দনা রাজেসকী মতম্বাক্তা মোনখাংননা তূমখুন তাল্লম্লে। খংপ্রেক খংনা অনুপমাবু হৌদোক্লে খল্লম্বনি, পাঙ্গল থোক্ত্রে। হৌদোকপগী মহুৎ অনুপমাবু নুংশিনা পেন্না য়েংজরি। চোইজাইনরা শন্নাং ময়াম্না লম হেন্না নুংশিবী মায়থোঙ খুমজিল্লিবদু শাওনীংনা লৌথোক্লে তেমশিংলুই, মদুমসু ঙমদ্রে। অহোইনদুম ফাজিনবীদ্রবী শন্নাংশিংনা নোংঙাল্লমদাইগী মেংলবা মালংগী শউমদা হেন্না হেন্না হাই হুন্লি। য়াহৌ ঙনবা টিমমেটশিং থোক্লরক্লদি ৱাথোক ওইনবা তারে খন্দুনা,

“অনু-অনুপমা, সে মীকপ থোক্লো, নোং ঙাল্লে”

“হা-! “খংপ্রেক খংনা ফূক হৌগৎলগা ফিভম শেমদুনা রাজেসতা ইকায়না য়েংলগা, “ঐদি কম্মায়না নতম্বাক্তা মোনখাংননা তূম্লম্লিবা! ঐনা তূম্লিঙৈদা করি-করি...।

“হো করিসু তৌজদে, নুংশিনা নঙগী মায়থোঙদুদি পেন্না য়েংখ্রে। কদোমদগী লিৎশিল্লগা ঐঙোন্দা মোনখাংনরম্লিনো - খঙহৌ লাকহৌদে...”

“নঙনা ৱা ঙাঙদনা উংদুনা লৈবদুদা নুংশিদবা!”

“নুংশিদবগী তম্পাক থীবিরকইবা!”

“নথৌ লৈতে!...”

“ফাগি নত্তে অনুপমা- মী হৌগৎনরক্লদি ফরক তানি। ইবানিসু ৱাকিং চৎপা শারগা অম্বাই ফাওবা চৎলুসি - মীনা চিংনখিদনবা...”

হৌগৎলগা মশম মনা পুনশিন্দুনা ফীভম শেম্লগা মখোয় অনী য়ুনিভর্সিটিগী গার্দেনলোমদা ৱাকিং চৎপা শানা চৎমিন্নখ্রে। নোংঙাল্লমদাইদসু লাপ্পপ্না রেল গাড়ী লাকপগী ওইরমাল্লে অহৌবা তু...তু হায়বা মখোল অমসু তারি। অমম্বা য়াওদ্রবা চাওখৎপা সহরগী মৈঙালদুসু শাবী-শানৌ অনীগী থৌগল ওইনা অমম্বা মশক লোৎশিন্দুনা মাঙগী লম্বেল ঙান্না উৎলি। উরক্লে পাক চাউরবা য়ুনিভর্সিটিগী ম্যেন গেটতু লোনশিন্দুনা লৈরি। রাজেসনা শোন্থাংননা-

“অনুপমা - হল্লসি, গেট হাংদ্রি...”

“ফরেদা-সুম কেম্পস মনুংদা ৱাকিং চৎলুবনি খুন্নসি...”

“হুম!... নুংশিনজবগী অহিং চূপ্পা চিল্লোক্লজবনি খুমসি”

“হুম!... নুংশিনরদি চিন থীবসু খরা তম্বা ফৈ...”

অহৌবসু নাইখিদ্রবা-লোইশিনবসু য়াওদবা য়ুথ ফেষ্টিবেলদু অতৈ অতৈগীদি খঙদে অনুপমা-রাজেসকী ওইনদি মমল নাইদ্রবা মীৎকুপমক্তনি। থম্মোয়-থম্মোয় চেৎনা কিশি কিখিবা নুংশি খোঙচৎ অমনি। অনুপমাসু রাজেসপু ৱাখল তাহনবা ঙমদুনা ৱাখল তয়াংনজরে। রাজেসসু ফুম্বংনরম্বা-লম্ফাংলম্বা ৱাখল নে-তানা পূন্সিগী তুংগী লম্বী উবা ঙমখ্রে। হয়েংদি য়ুনিভর্সিটি থাদোক্লনি হায়বগী অহিং মতেক অমগী উনখিবা মীৎকুপ্তুদি মখোয় অনীগী কাউঙল্লরোইদবা নুংশিগী চীরোল ৱাহৈ ঙাক্তনা থল্লি,

“দা রাজেস, ঐসে য়াম তৌঙম্মীকো...”

“অদুবুদি - লম হেনখ্রবা ঐগী পার্টনরনিদনা,” মখোয় অনী পেন্না নোকমিন্নজৈ। কোইনরক্ত্রবনিনা হকচাং-হকচাংসু মরোমদোম চিংশিন্নরকই মতাদুনি। অনীদু ফৈরাথক্কী পোম্বী চেক্লাগুম চীল্লোক্লনা নকশিন্নরকই - ইকায়নবা ৱাংমা লান্নরকই। ফনা কন্না ৱাখল ফাথরম্বনি, ঙমদ্রমান্নে! নুংশি লিচিংনা চিংথখ্রে অনীমক।

রাজেসনা নাপ্পা চিক্লা; “ঙসিদি ইতম্বাক্তা তূম্লরোইদ্রো...” অনুপমাসু নুংশি নিশানা পঙথরমাল্লে রাজেসপু কোন্না-কোন্না মতম্বাক্তা শুরু-শুরু নৈনা লোংনা মোনখাংননা হীপথখ্রে। উইরুম্নরবী মমিৎ অনীদুনা মশাবীবু ইখৌ লাংনা য়েংলি। ●

# এপ্রিল ২৩, খোংজোম দেনা লাকপদা

– কাংজম হেমন্ত –

চহী খুদিংগী এপ্রিল ২৩বু খোংজোম দে হায়না মণিপুর মীয়াম্না লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না করিগীদমক লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবনো হায়বদু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। মণিপুরগী অথৌবা ইপা-ইপুশিংনা মায়থীগনি হায়বা খঙনা-খঙনা মমা লৈবাক্কী নীংতম্বা কঞ্জনবগীদমক বৃটিশকী লান্মীশিংগা অকনবা লান শোক্লখি। লানফম অদুদা মণিপুর বৃটিশকী মখূৎতা মায়থীবা ফংখিবগা লোয়ননা পাওনা, চীংলেনস্নানচিংবা অথৌবা কয়া পূন্সি লোমখি। অথৌবশিং অদুগী মতিক মথৌনা, মমা লৈবাকপু নুংশিজবা অমদি য়েক্লবগী মখূত্তগী কঞ্জবা পাম্বা ৱাখল্লোন অদুবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা এপ্রিল ২৩বু খোংজোম দে হায়না ঙসি ফাওবা মণিপুরগী মীয়াম্না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হন্দকসু এপ্রিল ২৩না লাকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসিদা অথৌবশিংগী মফমদা লমদম অসিগী লীংজেল মান্নদ্রবা, মরমদম নুংশিবগী চাং ৱাংলবা, মচীন্দা ইমা লৈবাক হায়নদি তোয়না শোঞ্জবা, অশাবা লৈবাক নীংবশিং, মীচম মীয়ামগী খন্দবা, মশাগীতা খনবা লুচিংবশিং অদুনা খোংজোমগী খেবা চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎলকপা মতমদা মমা লৈবাক্কীমক্তা নোক্লা-নোক্লা লানফমদা থৱায় কথোকখিবা ঐখোয়গী অথৌবশিং অদুনা হরাওনা লৌবিগদ্রা? ইরমদম মণিপুর অসিদা ঙসি লুচিংবা ওইরিবশিং অসিনা চলাইরিবা শাসন অসিগী মওং মতৌ অসিদি লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং অদুনা খল্লম্বা ৱাখল্লোন অদুগী ওন্ন-তৈনবদনি।

মীখা পোন্দুনা হিংগদবগী শরুক নীংখা তম্বগী লানফমদা থৱায় কৎখিবনা হেন্না ফৈ। মীখা পোনবা হায়বসি মতমদুগী ইপা ইপুশিংদুনা পাল্লমদে। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পূন্দ্রিঙৈ কুমজা ১৯৪৯গী মমাঙদা মনীং মখা তম্বা নিংথৌনা লৈঙাক শাসন তৌরম্বা লৈবাক ওইরম্মী। লোইলম শন্দোকপা বৃটিশকী বোম, টোপ পায়বা মপাঙ্গল কল্লবা লান্মীশিংগা হনবা লৈতনা লান্থেংনখি। ঐখোয়গী মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংনা হনবা নাইদবা থৌনা লিংজেলগা লোয়ননা হোৎনবীরম্বা অদুনা বৃটিশকী মখূত্তগী মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিনখি। অপীকপা লৈবাক অমা ওইজরবসু মণিপুরনা বৃটিশকী মখূত্তগী নিংখা তম্বা ফংখিবা ইন্দিয়াদগী নোংমা হাল্লি হায়বসিদি পুৱারীগী তাঙ্ককশিংনা খুদম চাংদমনি। মসিনা তাকপদি মণিপুর ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরমদে। মশাগী কন্সটিট্যুশন শেমজদুনা মীয়াম্না মীয়ামগী মীহুৎ খন্দুনা লৈঙাক লীংবা মনীং মখা তম্বা লৈবাক ওইরম্মী হায়বসিনি।

লোই মপু বৃটিশকী মখূত্তগী মণিপুরগী নীংখা তম্বা হঞ্জিনখিবদু ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী মরৈবাক নীংবগী থৌনা লিংজেল অদুননি। বৃটিশকা কুমজা ১৮৯১দা শোক্লখিবা মণিপুরগী নীংতম্বগী লানফম ঙসিদি চহী ১৩৪ শুরে। শাংলবা চহী অসিগী মতুংদা মণিপুর ঙসিদি নীংখা তম্বগী মহাও অদু মণিপুরী মীয়াম্না চপ চানা ফংলিব্রা হায়বসি ৱাহং ওইরক্লি। বৃটিশকী মখূত্তগী নীংখা তম্লবা মতুং ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনশিনখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবা মীয়ামগী ৱাহং অসি লাকখিবনি।

অসুম্না মণিপুরগী লৈবাক ৱায়েলগী শক্তি পূম্নমক মণিপুরীশিংগী মখূত্তগী নমদুনা মুনবীখি। নুমিৎ অসিদগী বৃটিশ লোইলম শাসন্দগী হেন্না তমথীবা লোইলম শাসনগী চৈথেংনা মণিপুর ঙসি ফাওবগী ইতিহাস ওইরক্লি। হিন্দু কলচরদা চৎলুরবা মণিপুরবু হিন্দুশিংগী লম ইন্দিয়ানা মশাগী ইতিহাস অমসুং রাজনিতিগী অধিকার পুম্মাঙ মাঙহন্দুনা নমথদুনা থম্বদি লোইলম শাসননি হায়দনীংঙাই লৈরোই। ইন্দিয়াগী ফীবান্নুংদা তিনখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা লমদমসিগী মীয়াম্না ইস্যু কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি।

মণিপুরগী নীংতম্বা অদু হঞ্জিন্নবা হৌরিবা খূৎলায় পায়বগী লালহৌ অসি নমথনবা অফস্পাগী এক্ট ১৯৫৮ মণিপুরদা চলাইদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মীচম মীয়ামবু ওৎ নৈদুনা মীওইবগী হক্তা শীংনখিবশিং অদু ঐখোয়না ঙসিসু কাউবা লৈত্রি। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী লমখৈ মাঙশিল্লকপা অমদি য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিংনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপগী অচৌবা অকিবা অমা মায়োক্লহল্লি। দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিনা লৈমিন্নরিবা ফূরুপ মশেলগী মরক্তা পুনশিনবা য়াদনবা শিংচেপ থাদুনা লাক্লি। মতম মতমগী লৈঙাক্লা চপ চাবা খোঙথাংদা মণিপুর মচেৎ তাবা য়াদনবা থবক পায়খৎতুনা লাকখিবনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা তোয়না শীংনদুনা লাক্লি। শীংনবা অসি মীশিং য়াম্বনি হায়রিবা মীতৈ কম্ম্যুনিটিনা মায়োক্লরক্লি।

ঙসিসু কুকি-জোশিংগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেশন অমা মণিপুরদগী তাল্লক্লিবা অসি মীতৈশিংনা ঙাকথোক্তুনা লাক্লি। চহী ৩ শুজিল্লক্কদৌরবা মীতৈ অমসুং কুকি অনীগী ঈরাং অসি ঙসি ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রি। হন্দক ফমখিবা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি ৱারোইশিন পুরক্তুনা নে-না তাবা ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবা চপ চাবা থৌশিল অমা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিদবা অসিমক্তি ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা মণিপুর মীয়ামগীদি লাইবক য়াম্না থীবনি।

মপান লমগী ফোর্স য়াওনা চিন-কুকি মিলিটেন্টশিংগী লান মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক ইন্দিয়ানা ঙসি ফাওবা লাকশিনবা ঙমদবা হায়বসি লৈবাকসিগী মীয়ামদা নুংনাংহল্লি। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা হেন্না খুদোং থীনীংঙাই ওইরিবদি মণিপুরদা চহী কয়াদগী খুন্দা লৈতারক্লবা য়েলহৌমীশিং অসিগী কাঞ্জুল মুৎখিগদ্রা হায়বা অসিনি। মীতোপ মীয়ানচাশিংনা নোংম-নোংমগী লাকশিল্লক্তুনা অকিবা ফীভমদু লাক্লবনি। মায়োক্লরিবা খুদোংথীবা কয়াশিং অসি মণিপুরগী নীংখা তম্বা মাঙখ্রবা মতুংদগীনি। হিংবগী হকতা শীংনরকপা কয়া পূন্না থেংনমিন্নবা তাই। হিংবগী হক মৎলিবমখৈ নীংখা তম্বগী মহাও অদু ফংবা ঙল্লোই।

অরোইবদা, খোংজোম দেনা লাকপদা ঐখোয় তোখায় তানবগী ৱাখল থাদোক্লদুনা, ঐখোয়গী অপূনবগী লিংজেল শাগৎতুনা ইপা ইপুশিংগী থাঙনা হক্তুনা থল্লম্বা ঐখোয়গী অকোয়বগী শক্তম কায়হন্দনা মপান লমগী মীতোপ চংহন্দনা তুংগী মীরোলগীদমক ঙাক্তুনা থম্বা মীয়ামগী অফবা লৈঙাক অমা থম্নবা হোৎনমিন্নরসি। লোয়ননা ইপা ইপুশিংনা পামজরম্বা ৱাখল্লোনশিং অদু খুদুং ইন্নবগীদমক ঐখোয়গী ওইবা মপাঙ্গল কনবা রিজনেল পোলিটিকেল ফোর্স অমা শাগৎপা মথৌ তারব্রা? ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৫গী ৱাহং

১) “হিংচা য়াইতম্বা মানবা নুপা অমনা ঐবু চাগদৌগুম য়েংলগা মখূৎ অনী তিংথোক্লগা ঐঙোল্লোমদা চঙশিল্লকপদু উবদা কিমনখ্রদুনা খোঞ্জেল ফাইবোই করিবোই ‘হো ইমা!’... হায়খিগুমসু তৌখি।”

ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। নোভেলগী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) “পুন্সিবু হুন্দোক্লম্লগা
করম্না চৎকনি
অনৌবা পুন্সিগী যাত্রা।”

শৈরেং মতেক অসি অইবা অমগী শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

৩) “মতমগী য়াওল ইরোয়ননা ঈশৈ-নোংমাইগী হীরমদা অওনবা, অহোংবা লাকপসি তোয়না থেংনৈ।”

ৱাহৈ পরেং অসি ওটোবাইওগ্রাফি অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লাইরিক্কী মমিং ইরকউ।

৪) “ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা ইবগী লমদা অদুম্মক থাংলকপনি ঐগী খোঙথাংসি তন্দে-মান্দে, নীংজিং-মাংজিং, ৱাখলগী পোৎলুম পুদুনা, থম্মোয়গী মৈচাক খাঙদুনা।”

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবা অনুবাদকী ৱারোলদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমদি হন্দোক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) “নতম্বাক্তা” হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি। ***(ইন্টরনেটকী অথিংবা লৈরুবনা মরম ওইরগা ক্বীজ অসিগী পাউখুম থারক্লবগী মতম এপ্রিল ৩০, শগোলশেন ফাওবা শাংদোকচরে)***